# লাইবষ্টোক ইন্সুরেন্স

ডোঃ সরাংথেম জেসমারানি

লাইবষ্টোক (ষণ, ইরোই, হামেঙ, য়াও, শগোল, ওক অসিনচিংবা) ইন্সুরেন্স হায়বদি ইন্সুরেন্স কম্পনিনা লাইবষ্টোক ওনরশিংদা পীবা মশাগী লোয়জরিবা শা-ষণ খূদিংমক করিগুম্বা লায়না লাক্তুনা শিবা, এক্সিদেন্ট থোকপা, হূ চাশিন্দুনা শিবা ফাওবা য়াওরক্তুনা মশাগী শেল চঙনা লোয়জরিবা অদু পুরা মাঙবদগী কন্ননবা মশাগী য়ূমদা লোয়জরিবা শা-ষণ খূদিংমক ইন্স্যুর্দ তৌহল্লগা করিগুম্বা হায়রিবা খূদোংথীবসি নংলগদি ইন্স্যুর্দ তৌরিবা শেনফমদুগী মতুংইন্না কম্পেন্সেসন পীবনি।

ইন্স্যুর্দ তৌগদবা লাইবষ্টোক্কী ফীভম শেল চঙনা লৈদুনা শেন্দাল লন্বী অমা ওইনা লোয়রিবা শা-ষণ খূদিংমক ইন্স্যুর্দ তৌবীগদবনি। ঐখোয়না ইন্স্যুর্দ তৌগে হায়রগদি ঐখোয়না লোয়রিবা শা-ষণ খূদিংমক অনা-অয়েক য়াওরোইদবনি। ভেটিরিনরি ডোক্টরনা ফজনা য়েংথোকহনবীদুনা মদুগী মতুংইন্না সর্টিফিকেট অমা পীহনবীরগা হায়রিবা সর্টিফিকেট অসি ইন্সুরেন্স প্রোপোজ তৌবদা হাপ্পীগদবনি। ঐখোয়না ইন্স্যুর্দ তৌগদবা শা-ষণ খূদিংমক টীকা থাদোকপীগদবনি। অফবা মখল অমদি মচী ওইবা মচীঙ্গাক পীজবীগদবনি। চহী য়াল্লবা শা-ষণদি ইন্স্যুর্দ তৌবা য়াদে। অনা-অয়েক য়াওদবা মশা-মউ ফনা লৈবা শা-ষণ খূদিংমক মমল ৱাংনা লৈবনা ইন্স্যুর্দ তৌবা মতমদসু মমল ৱাংনা তৌবা য়াই।

**করি করি চে-চাং চঙবগে?**

মখাদা পীরিবা দোক্যুমেন্টশিং অসি ইন্সুরেন্স প্রোপোজেল তৌবদা চঙই।

ক) ইন্সুরেন্স য়াওবীগদৌরিবা শা-ষণগী মপুগী মমীং, লৈফম, ইন্সুরেন্স য়াওগদৌরিবা শা-ষণদুগী মশীং, আইদেন্টিফিকেসন মার্ক, ব্রীদ, চহী , সেক্স, মচু, অৱাংবা, মচি পানবরা পানদবরা অসিনচিংবা।

খ) ভেটিরিনরি ডোক্টরনা পীবা প্রেস্ক্রাইব ফোর্মদা লৈবা সর্টিফিকেট।

গ) লৈবা মতমদা লৈরিবা মফমদুদগী পীরকপা রিসিপ্ট।

ঘ) শাগী সর্টিফিকেট ভেল্যু হায়বদি ইন্সুরেন্স য়াওবা মতমদা শাদুগী চহী, হেল্‌থকী কন্দিসন অমদি লাবা-অমোমগী মতুং ইল্লি।

ঙ) ইন্স্যুর্দ তৌগদৌরিবা এনিমেলগী ফোটোগ্রাফ অমা ইন্সুরেন্স প্রোপোজেল তৌবা মতমদা ভেটিরিনরি ডোক্টর অমগী মতেং লৌরগা তৌবীগদবনি।




**ইন্সুরেন্সকী শেনফম ঃ**

ইন্সুরেন্সকী শেনফম অসি ঐখোয়না ইন্স্যুর্দ তৌগদৌরিবা শা মখল অমদি ব্রীদকী মখা পোল্লি। মপাল লমদগী একজোটিক ব্রীদ লোয়বা অমদি ক্রোসব্রীদশিংনা ভেল্যু হেন্না লোকেল ব্রীদতগী ইন্স্যুর্দ তৌবা য়াই। চহী নৌরিবা, মপূং ফারবা এনিমেলনা হেন্না অরিবা এনিমেলদগী ভেল্যু লৈনা ইন্স্যুর্দ তৌবা য়াই।

**শাগী মমল করম্না লেপকনি ঃ**

শাগী মার্কেট প্রাইসকী ভেল্যু হোৎপদি পূন্না ভেটিরিনরি ডোক্টর, বেনিফিসিয়ারি এন্দ ইন্সুরেন্স এজেন্টনা পূন্না মতমদুগী মার্কেট প্রাইসতা শাদুগী মমল লেপ্পীগদবনি।

**ইন্সুরেন্স প্রিমিয়মনা করম হায়না হোংগনি ঃ**

ইন্সুরেন্স প্রিমিয়ম চেঞ্জ অসি অনী থোক্লা তৌবা য়াই -

ক) করিগুম্বা গভর্নমেন্ট স্কীমগী মখাদা শা অসি সপ্লাইদ তৌরগদি ফিক্স এমাউন্টতা চেঞ্জ তৌগনি।

খ) ইশাগী ইন্দিভিদ্যুএল স্কীমদা লৈবীরগদি ঐখোয়না লৈরিবা শাগী মমলদুগী চাদা ৫ দা চেঞ্জ তৌগনি।

**কম্পেন্সেসন পীবগী প্রোসিদ্যুর ঃ**

ক) করিগুম্বা ইন্স্যুর্দ তৌরিবা শাদু খুদোংথীদুনা শিবা থোক্লগদি ইন্সুরেন্স কম্পনিদা পাউ পীবীয়ু।

খ) শিরিবা শাদুগী ভেটিরিনরি ডোক্টরনা পীবা পোষ্ট মোর্টেম রিপোর্ট অদু কম্পেন্সেসন তৌবা মতমদা হাপ্পীয়ু।

গ) করিগুম্বা বেঙ্ক লোন লৌরগা শাদু লৈরগদি বেঙ্ককী মীশিংদা পাউ পীবীয়ু।

ঘ) মনাদা ইন্সুরেন্স কম্পনিনা আইদেন্টিফিকেসন মার্ক (লেবেল) অমা নপলিবদু শিরবা মতুংদা মদু লৌথোকপীরগা ইন্সুরেন্স কম্পনিদা শীন্নবীগদবনি।

ঙ) শিরবা এনিমেলদুগী ফোটোগ্রাফ অমসু দরকার ওই।

চ) করিগুম্বদা এক্সিদেন্ট থোক্তুনা শিবা তারগদি মনাক নকপা পুলিস ষ্টেসন অমদা রিপোর্ট তৌবীদুনা মখোয়না পীবা রিপোর্টতু সবমিট তৌবীগদবনি।

ছ) শিবা মতমদা শাদুগী ভেল্যুদুনা ইন্সুরেন্স ক্লেম তৌবগী ভেল্যু ওইগনি।

**কম্পেন্সেসন পীবগী মওং ঃ**

ক) করিগুম্বা শিরিবা শাদু বেঙ্ককী লোন লৌরগা লৈবা তারল্লগদি কম্পেন্সেসনদু বেঙ্ককী খুথাংদা পীগনি।

খ) মশাগী শেল পুথোক্লগা লৈরগদি কম্পেন্সেসন তৌবা মতমদা চেক ওইনা মপুদা খূৎশিন্নরক্কনি।

করন্বা ফীবমশিংদা কম্পেন্সেসন পীরোইদবা?

ক) ভেটিরিনরি ডোক্টরনা পীবা পোষ্ট মোর্টেমগী রিপোর্ট পীদ্রবা।

খ) শাগী মনাদা থেৎপা আইদেন্টিফিকেসন মার্কতু ওন্নরবা।

গ) এনিমেলদু নাবা মতমদা হীদাক লাংথক ফজনা পীবীদ্রবা।

ঘ) শিবা মতমদা খুদক্তা ইন্সুরেন্স কম্পনিদা হায়দোকহৌদ্রবা।

ঙ) ঐখোয়না ইন্সুরেন্স পোলিসি য়াওরিবা মতমদুদগী হেন্দোক্লগা শিবা।

ইন্সুরেন্স য়াওরিঙৈগী মতমদা শাগী মপু ওন্থোকপা ঃ

করিগুম্বা ইন্সুরেন্স পোলিসি অসি লোইদ্রিঙৈগী মনুংদা মপু অমদগী অমদা ওন্থোক-ওনশিন তৌবা নৎত্রগা য়োন্থোকপা তারগদি মপুগী মমিংসু ওন্থোকপীহৌগদবনি। ওন্থোক-ওনশিন তৌবা মতমদসু মাগী লৌগদবা ফীস, সেল দীদ অসিনচিংবা ময়াম অসি ইন্সুরেন্স কম্পনিগা ওনরগা লৈনরিবা কন্ট্রেক্টকী মতুংইন্না তৌবীগনি। ●

# ঙা য়োকপদা মহৌশাদগী লৈরক্লিবা লৌশিং শীজিন্নবা

ডোঃ য়ূম্নাম বেদজিৎ

মহৌশাদগী লৈরক্লিবা লৌশিং শীজিন্নদুনা অচৌবা খুদোংথীবা কয়াদগী ঙাকথোকপদা অচৌবা পান্থে ওইদুনা লাক্লি। মহৌশাগা নক্লনা লৈবা মীওই কয়ানা মখোয়গী অকোয়বদা লৈবা অমদি থোক্লিবা থৌওংশিং থেংনরুবদগী খঙলক্তুনা কান্নবা থৌওং কয়া পায়-খৎনবা হোৎনরি। করিগুম্বা অকক্লবা উচেক খরা থেংনবা নৎত্রগা মখোয়না খোংবা তাবা, করিগুম্বা অকক্লবা জীব খরা মচা পোক্লকপা, অকক্লবা পান্থী খরনা লৈ শাৎলকপা অসিগুম্বা ময়াম অসি অঙৈং-অশা অমদি মতমদা অহোংবা কয়া লাকপগী খুদমনি হায়বসি মহৌশাদগী থেংনরকপা লৌশিংগী মতেংনা লায়না খঙবা ঙম্বা থৌওংশিংনি।

মহৌশাদগী থেংনরকপা লৌশিং শীজিন্নদুনা করিগুম্বা ঈকং থোকপা নৎত্রগা ঈচাও থোকপা মতমদা মহৈ-মরোং মখল কয়া থাদুনা করিগুম্বা মখল অমদা অমাঙবা থোক-খ্রবসু মখল অমদগী খরমখৈদি ফংননবা হোৎনরম্মী অমদি শা তানবা, ঙা ফাবা নৎত্রগা চীং-মান্দা চৎতুনা উহৈ-ৱাহৈ, মহৈ-মরোং কয়া হেক্তুনা মহৈ-মরোংগী অৱাৎপা মেন-খৎনবা হোৎনরম্মী। করিগুম্বা মফম অমদা মখল কয়াগী পান্থীশিং থারবদি পান্থী খরদা অমাঙ-অতা থোকখ্রবসু পান্থী মখল খরদগী পোথোক খরদা ওইরবসু ফংবা ঙমগনি। মসিদসু নত্তনা মহৌশাদগী শীজিন্নরক্লিবা খূৎশু-খূৎলায় খুদম ওইনা হায়রবদা ঙা ফাবদা শীজিন্নরিবা লাং অমদি হিনচিংবা ময়াম অসিদসু মহৌশাগী অকায়বা হায়বদি ঈশিং ঈচাও অমদি ইকংনচিংবা কয়াদগী ঙাকথোকপা ঙম্নবা হোৎনবদা শীজিন্নবা য়াবা কয়া লৈরি।

মহৌশাদগী খঙলকপা থৌওংগী মতেংনা অকায়বা/অহোংবা অমা থোক্লক্কদৌরে হায়বা খঙনবগী পান্থে খরা :- ১) করিগুম্বা হুই ময়াম্না পুল্লপ-পুল্লপ থোক্লক্তুনা লন্বীদা মফম-মরাং খঙদনা খোঙবা থেংনরবদি য়ুহা হাবা থোক্লকপা য়াবগী অচৌবা খুদম অমনি। অসুম্না য়ুহা হাবা থোক্লক্কদৌরে হায়বা খঙবা ঙম্লবদি অশোক-অপন অমদি অতেক-অকায় থোক্তনবা চেকশিন থৌরাং খরমখৈদি লৌখৎপা ঙমগনি।

২) ককচেং অমুবীনা মখোয়গী মরূমশিং অমদি মচিঙ্গাকশিং য়াম্না চেকশিন্না অতেক-অকায় থোকলোইদবা মফমদা থম্লবদি নোং চুগদৌরে হায়বগী খুদমনি। হঙোই য়াম্না খোঙলবসু নোং চুগদৌরে হায়বগী খুদমনি। য়েন্না মসা শন্দোক্তুনা লৈমায়দা কুন্দুনা নুংশা য়াইরবসু নোং চুগদৌরে হায়বগী খুদমনি।

৩) চোৎলি-চোৎলি তৌবা মফমদা লৈশৌনা মকোন শারবসু নোং চুগদৌরে হায়বগী খুদমনি।

৪) খা নোংচুপ থংবা অতিয়াগী মচু অঙাংবা ওইরবদি নুমিৎ খরনিগী মনুংদা নোং চুরগনি হায়বগী খুদমনি।

৫) উমংদা নাপী-শিংবী হৌবগী চাং খঙহেন হেল্লক্লবসু চৎলিবা চহী অদুদা নোং চুবগী চাং হেনগৎলগনি হায়বগী খুদমনি।

৬) করিগুম্বা থরোইনা উদা কাদুনা লৈরবা, তিন্থোক য়াম্না থোরকপা থেংনরবা, ককচেংনা ময়ূমদু মফম চাবা য়েংদুনা হোংলবা অমদি তীল-কাং য়াম্না পাইরবা নোংলৈ নুংশিৎ তৌরবা মতুংদা নোং চুগনি হায়বগী খুদমনি।

৭) করিগুম্বা নোংজাবী অসি নোংপোকলোমদগী থোরকপা থেংনরবদি ঈকং থোকপা য়াবগী খুদমনি। তৌইগুম্বসুং নোংজাবী অসি নোংচুপলোমদগী থোরকপা তারবদি শুংশোই শোয়দনা নোং চুরগনি হায়বগী খুদমনি।

৮) নুমিৎ তাখ্রবা মতুংদা অতিয়া অসি অঙাংবা মচু ওইনা উরবদি নুমিৎ খরনিগী মনুংদা নোংলৈ-নুংশিৎ থোক্কনি হায়বগী খুদমনি।

৯) করিগুম্বা মুকথ্রুবী হায়বা তীল মখল অসি য়াম্না পাইবা থেংনরবদি নোং চুরম্বদগী নোং হাংলগনি হায়বগী খুদমনি।

১০) করিগুম্বা ৱা মপাল শাৎলবদি ঈকং থোক্কনি হায়বগী খুদমনি।

১১) শেম্বাংনা নেম্না পাইবা থেংনরবদি নোং কন্না চুগনি হায়বগী খুদমনি। মতাং অসিদা খঙজিনবা য়াবা ৱাফম অমদি শেম্বাং য়াম্না পাইরবদি নোং চুরবা য়াই অদুগা শেম্বাং পাইবা থেংনদ্রবদি ঈকং থোকপা য়াই।

১২) তিনলাইখোম্বী নৎত্রগা তিনখাক য়াম্না লৈবা থেংনরবদি ঈকং থোকপা য়াই।

মহৌশাদগী মীওইবনা থেংনরকপদগী খঙলকপা লৌশিং শীজিন্নদুনা চহী কয়া কয়া অসি ঈশিং ঈচাও অমদি ঈকংগুম্বা কয়া মায়োক্লদুনা লাক্লিবনি। মরম অদুনা হৌজিক্কী বৈগ্যানিক ওইবা টেক্নোলোজি কয়াসিগী মথক্তা মহৌশাদগী খঙলকপা লৌশিংশিং অসিসু শীজিন্নবগী তঙাইফদবসু লৈ।

মহৌশাদগী লৈরকপা লৌশিং কয়া অমদি হৌজিক্কী মীওইশিংনা শীজিন্নদবদগী মাঙখ্রে। তৌইগুম্বসুং হৌজিক লৈরিবা লৌশিংশিং অসি মাঙখিদনবা হোৎনবগী তঙাইফদবসু লৈরি।

মতাং অসিদা লৌমী ইচিন ইনাওশিংদা থমজনীংবা ৱাফম অমদি চাওখৎলকপগী মতুংইন্না টেক্নোলোজি কয়া শীজিন্নদুনা ঈশিং ঈচাও অমদি ঈকংনচিংবা কয়া থোরক্কদৌরে হায়বা মাঙজৌননা খঙদোকপা ঙম্লবসু মমাঙঙৈদগী লৈরক্লিবা লৌশিং কয়া অসি শীজিন্নদুনা খুদোংথীবা থোক্কদবদগী খরমখৈদি মায়োক্লবা ঙম্নবা হোৎনমিন্নরসি। ●

# ফৌ থাবদা শীজিন্নগদবা হারগী চাং অমসুং চাইবগী মতম

ডো. ৱাইখোম জিতেন



লেংলি পাল্লিবা অচৎ-চৎতা জীব খুদিংমক মচিঙ্গাক য়াওদনা হিংবা ঙমদে। অসুম্না হৌরিবা পান্থীশিংসু মখোয়না হিংবদা চঙবা মচিঙ্গাক মখলশিং শুনা ফংদনা হিংদুনা লৈবা অমদি পোৎথোক-চাথোক পুথোকপা ঙমদে। পান্থীশিংনা মখোয়গী মচিঙ্গাক অসি লৌফম অদুদা মহৌশাদগী য়াওজবা, নুংশিৎতগী নৎত্রগা ঐখোয়না তোঙান্না হাপ্পীদুনা দরকার লৈবা চাং অদু ফংহন্দ্রবদি হিংদুনা লৈবা ঙম্লোই।

চপ মান্নবা মওংদা ঐখোয় মীওইবনা হিংবদা চঙদ্রবা য়াদ্রবা ফৌ হায়বা পান্থী অসিগী পোথোক চাথোক মরাং কায়না পুথোক্লবগীদমক লৌফম অদুদা য়াওরিবা মচিঙ্গাকশিং অদুনা কোন্নবা ঙমজদ্রবদি ঐখোয়না খূৎশেমগী হার নৎত্রগা ষন্থি-ষণয়ুং, পান্থী-শিংবীদগী পথ্থ-পুমথদুনা ওইবা হার, নৎত্রে হায়রগা পান্থীশিংদা মচিঙ্গাক পীবা ঙম্বা অহিংবা জীবশিং শীজিন্নদুনা ফৌনা দরকার লৈবা মচিঙ্গাকশিং অদু ফংহন্নবা হোৎনবীগদবনি। ঐখোয়না ফৌ থাবা মতমদা করম করম্বা মখলগী হারশিং কয়া য়াম্না দরকার লৈবগে হায়বসি লেপ্পবগীদমক লৈবাক লৈহাও চাংয়েং তৌথোকপা হায়বসি তঙাইফদবা অমনি। মসিগা লোয়ননা ঐখোয়না পাল্লিবা পোৎথোক অদুগী মখা পোন্না চপ মান্নবা লৌফমদা চাইগদবা হারগী চাংসু অমুক মান্নরোই। ঐখোয়গী লমদম অসিদা লৈরিবা অয়াম্বা লৌফমদা (ফৌরেল লৌফম) মরু ওইনা নাইট্রোজেন, ফোসফরস অমসুং পোটাশ হায়রিবা হার মখলশিং অসি লৌফম অদুদা য়াওজরিবা অদুনা ফৌগীদমক কোন্নজবা ঙমদে। মরম অসিনা পঞ্জখ্রিবা মচিঙ্গাক মখলশিং অসি য়াওবা হার মখলশিং ফৌ থাবদা হাপ্পীদবা য়াদে। ফৌ থাবীগদবা লৌফম অদু লিশাং শিংনা লৌউ-শিংউবগী থবকশিং পায়খৎপা য়ানবগীদমক লৌফম অদুদা থাখিবা পান্থীশিংগী লেমহৌখাক/চরু-চনাইশিং লৌফম অদুদা খোইজিনবীবা নৎত্রগা চহী ৩-৪ খুদিংগী লৌ পরি অমগী লৌফমদা ষন্থি-ষণয়ুং/পান্থী-শিংবীদগী পথ্থ-পুমথদুনা ওইবা হার কেজি ১০,০০০ হাপীগদবনি। পঞ্জখিবা হারগী চাং অসি ষণ গাড়ী মপোৎতা পাবীরবদি ষণ গাড়ী ২০ গুম্বা অদুগা ট্রেক্টরগী ট্রেলরদা ওইরগনা গাড়ী মপোৎ ৪/৫গুম্বনি।

মথক্তা পঞ্জখ্রিবা হার অসিগী মথক্তা ঐখোয়না পাল্লিবা পোৎথোক অদুগী মখা পোন্না লমদম অসিগী ওইনা চাংচৎতা লৌ পরি অমদা ফৌদা পীগদবা নাইট্রোজেন, ফোসফরস অমসুং পোটাশকী চাং অসি ৬০:৪০:৩০ অমসুং ৮০:৪০:৪০নি।

| পীগদবা হারগী চাং (কেজি) | পোথোক্কী চাং (কেজি) |
|---|---|
| ৪০০০-৬০০০ | ৬০:৪০:৩০ |
| ৬০০০-৭০০০ | ৮০:৪০:৪০ |

পোথোক্কী চাংনা কেজি ৪০০০-৬০০০ হায়বসি ফৌ কেজি ৬০ লূম্বা বোরা ৬৬.৬-১০০ ওইবা মতমদনি। অদুগা কেজি ৬০০০-৭০০০ হায়বসি ফৌ কেজি ৬০ চনবা বোরা ১০০-১১৬.৬ ওইবা মতমদনি।

মথক্তা পীরিবা পান্থীগী মচিঙ্গাক মখলশিং অসি য়াওবা অমদি লৌ শঙম অমদা চাইগদবা হারগী চাং :-

| পোথোক্কী চাং (কেজি) (লৌ শঙম অমা) | পীগদবা হারগী চাং (কেজি) (লৌ শঙম অমা) |
|---|---|
| ১০০০-১৫০০ | য়ুরিয়া - ৩২.৫ |
| (ফৌবোৎ - ১৬.৫-২৫) | সিঙ্গল সুপর ফোসফেট (এস এস পি)-৬৫ |
| | ম্যুরেট ওফ পোটাশ (এম ও পি) - ১২.৫ |
| ১৫০০-১৭৫০ | য়ুরিয়া - ৪৩ |
| (ফৌবোৎ ২৫-২৯) | সিঙ্গল সুপর ফোসফেট - ৬৫ |
| | ম্যুরেট ওফ পোটাশ - ১৬.৫ |

ঐখোয়না পীবীগদবা পান্থীগী মচিঙ্গাকশিং অসি পান্থীনা খ্বাইদগী য়াম্বা চাংদা কান্নবা ফংনবগীদমক চাইবগী মতম হায়বসিসু তঙাইফদনা খঙদবা য়াদবা অমনি। পান্থীশিংদা ফোসফরস হায়রিবা পান্থীগী মচিঙ্গাক পীগদবা সিঙ্গল সুপর ফোসফেট/ট্রিপল সুপর ফোসফেট/দাইএমোনিয়ম ফোসফেট (দাইমো)/রোক ফোসফেটনচিংবশিং অসি পান্থী থাদ্রিঙৈ অরোইবা লৌওন খোইদ্রিঙৈ মমাঙদা পূন্না চাইথোকপীদুনা পান্থীগী মরানা য়ৌগদবা মফম শিন থুংনা চাইখাইবীদুনা তোৎশিন্দুনা থম্বীগদবনি । মরমদি হায়রিবা হার মখল অসিদি তাখিবা মফমদগী কা হেন্না লাপ্পা চৎপা ঙমদে। অদুগা য়ুরিয়া হায়রিবা হার মখল অসি ঈশিংদা লায়না তুম্বা ঙম্বগা লোয়ননা মফম অমদগী মফম অমদা ঈশিংনা লায়না পুখিদুনা মাঙগল্লি। মরম অসি অমুক নৎত্রগা অনীরক্তা অপূনবা হারশিং পূন্না চাইশিনবগী হৈনবী অসি লৈরোইদবনি। অমরোমদা অমুক ঈশিংদা তুমদুনা নৎত্রগা তুমদনা মতুম ওইনা লৈরিবা য়ুরিয়া অসি অশাবা নুংশাগী মঙালগী মতেংনা লায়না মনিল ওইনসু মাঙহনবা ঙমই। মরম অসিনা খজিক-খজিক চাইবীগদবনি।

লিংনবা নৎত্রগা পামফেল হুনগদবা লৌফমদা হার পীগদবা মওং :-

| লৌউ কাঙলোন | হার পীগদবা মতম |
|---|---|
| অরিংবা লৌফম | (১) অরোইবা লৌওন খোইদ্রিঙৈ মমাঙদা য়ুরিয়া তঙ্খাই অমা, সিঙ্গল সুপর ফোসফেট অপূনবা শরুক অমসুং ম্যুরেট ওফ পোটাশ শরুক অহুম থোকপগী অনী। |
| | (২) লিংখ্রবা মতুং নুমিৎ ২৫-৩০নিশুবা মতম, য়ুরিয়া শরুক মরি থোকপগী অমা লিংখ্রবা মতুং নুমিৎ ৫৫-৬০নি শুবা মতম, য়ুরিয়া শরুক মরি থোকপগী অমগা ম্যুরেট ওফ পোটাশ (এম ও পি) শরুক অহুম থোকপগী অমা লেমহৌবগা চাইবীগদবনি। |
| পামফেল লৌফম | (১) অরোইবা লৌওন খোইদ্রিঙৈ মমাঙদা য়ুরিয়া শরুক মরি থোকপগী অমা, সিঙ্গল সুপর ফোসফেট অপূনবা শরুক অমসুং ম্যুরেট ওফ পোটাশ শরুক অহুম থোকপগী অনী। |
| | (২) হুনখ্রবা মতুং নুমিৎ ১৫নি শুবদা য়ুরিয়া শরুক মরি থোকপগী অমা |
| | (৩) হুনখ্রবা মতুং নুমিৎ ৩৫-৪০নি শুবা মতম, য়ুরিয়া শরুক মরি থোকপগী অমা। |
| | (৪) হুনখ্রবা মতুং নুমিৎ ৬৫-৭০নি শুবা মতম, য়ুরিয়া শরুক মরি থোকপগী অমগা লোয়ননা ম্যুরেট ওফ পোটাশকী অরেম্বা শরুক। |

মথক্তা পঞ্জখ্রিবা অসুম্না দরকার লৈবা হারগী মখল, চাং অমদি মতম চানা চাইবীদুনা ঐখোয়না পাল্লিবা পোৎথোক চাথোক অদু পুথোকপগা লোয়ননা লৌফম অদু তুং কোইনা লৌ উবা য়াবা মফম ওইহনবা অমদি অকোয়বগী ঈশিং নুংশিৎ মোৎশিনবগী চাং হন্থহনবদা ঐখোয় খুদিংমক শরুক য়ামিন্নরসি। ●